HUEIYEN LANPAO

# ম্যান্মারগী মোনাষ্ট্রি অমদা বুদ্ধিষ্ট লাইনিংবা অহুম য়াওনা মীওই ২২ হাৎখ্রে

নেপিটো, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ম্যান্মারগী খা থংবা সান ষ্টেটতা লৈবা মোনাষ্ট্রি অমদা থাংজ নুমিত্তা বুদ্ধিষ্ট লাইনিংবা অহুম য়াওনা মীওই ২২ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবশিংনা মদু আর্মিনা চথখিবা মীচমশিং পাত্তক্লনা হাৎপগী থৌদোক্নি হায়রি।

মোনাষ্ট্রিদা চথখিবা মীহাৎ অদুগী মতাংদা লোকেল লালহৌবা গ্রুপশিং অমসুং মিলিটরি লৈঙাক অনীনা অমনা অমবু মরাল শীনরি। মিলিটরি লৈঙাক্কী স্পোক্সমেন জ নমিন টুননা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সেক্যুরিটিগা মরী লৈননা হেক থুংখিবগা কারেন নেসনেলিটি দিফেন্স ফোর্স (কে এম দি এফ) অমসুং অতোপ্পা রেবেল গ্রুপকী মীওইশিং নাননিন ভিলেজতা চঙলকখি।

টেররিষ্ট গ্রুপশিং অদুনা খুঞ্জা খরগা নোংমৈনা কাপখি অমসুং মীওই কয়া হাৎখি, মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নঙখি হায়না মিলিটরি লৈঙাক্কী স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা খা থংবা সান ষ্টেটকী পিনলোং রিজনদা লৈঙাক্কী ট্রুপশিংগা রেবেল ফাইটরগা খুৎ থোক্লখিবা ওইরবসু মদুদা মীচম অমত্তা মীশি মীনা থোকখিবা লৈতে।

সি এন এনগী মতুং ইন্না কে এন দি এফনা পীবা থৌদোক অদুগী ভিদিও অমসুং ফোটোশিংদা নাননিন মোনাষ্ট্রিগী অকোয়বদা অশিবা হকচাং ২১ পৈরগা লৈবা উখি। অশিবা কয়া সিভিলিয়ন ফিজোলশিং শেৎপা অমদি হকচাংদা নোংমৈনা পানবগী মফম কয়া লৈখি। গ্রুপ অদুনা পীবা ভিদিও অদুদা মোনাষ্ট্রি অদুগী ৱালশিংদা নোংমৈ মরুনা পানখিবগী অহোবা কয়া উবা ফঙখি। অশিবা হকচাংশিং অদু মোনাষ্ট্রি অদুগী ৱালশিংগী মায়োক্তা অমগা অমগা লোনশিন্নরগা পৈখৎলগা লৈবা উখি।

ডা. য়ে জো কৌবা অমগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা বুদ্ধিষ্ট লাইনিংবা অহুম য়াওনা মীওই ২২ অদু ওটোমেটিক খুৎলায়শিং শীজিন্নরগা অনকপা রেঞ্জতা কাপ্লগা হাৎখিবনি হায়না পনখি। মহাক্কী রিপোর্ট অদুনা মখা তারিবদি অশিবা হকচাংশিং অদুদা মিলিটরি য়ুনিফোর্ম, ইক্বিপমেন্ট অমসুং এম্যুনেসন য়াওরমদবনা মীওইশিং অদু মীচমশিংনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী।



পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট অদুগী কোপি অমা এজেন্সিদসু পীরকখি। কে এন দি এফ অমসুং ম্যান্মারগী মিলিটরি অনীমক্না মফম অদুদা খুৎ থোক্লখি হায়বসি য়াখি। তৌইগুম্বসুং মোনাষ্ট্রি অদুদা মীহাৎশিং অদু পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মেসাকর অদুগী মতাংদা অমগা অমগা তাইওন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্নরকখি।

কে এন দি এফকী স্পোক্সমেন ফিলিপসো ওংনা সি এন এনদা হায়খি, মদুদি মার্চ ১১ দা ব্রম্মিজ মিলিটরিনা বুদ্ধিষ্ট লাইনিংবা অহুম অমসুং ১৯ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। ঐখোয়গী ট্রুপশিং মার্চ ১২ দা মফম অদুদা থুংখি অমসুং মখোয়না অশিবা হকচাংশিং পুখি। হৌখিবা চয়োলদা নাননিন ভিলেজকা নক্লবা মফম অমদা লোকেল লালহৌবা গ্রুপশিং অমসুং ম্যান্মারগী মিলিটরিগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখিবনি। য়ামদ্রবদা চয়োল অনীরোম মফম অদুদা খুৎ থোক্নরকখি হায়না পান্নরি।

নাকল অনীগী লান অদুদা নাননিনগী পাত্তক্লনা মী হাৎপগী থৌদোক থোকফম অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ষ্ট্রকচর ১০০ রোমসু মৈ থারমখি। হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনশিং রেকোর্দ তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা ম্যান্মার ৱিটনেসনা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা ফিভমশিং উৎলিবা সেটলাইট ইমেজশিং ভেরিফাই তৌখি।

# পুটিননা রসিয়াগী বিলিনিয়রশিংদা শেন্দোংগী ৱাখলদগী লৈবাক নীংবগী ৱাখলনা মাঙওইননবা আপিল তৌখ্রে

মোস্কো, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):





রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী বিলিনিয়রশিংদা শেন্দোংগী ৱাখলদগী লৈবাক নীংবগী ৱাখলনা মাঙওইননবা তকশিনবগা লোয়নন্না নোংচুপলোমগী অথিংবশিং মায়োক্ল রিবা লৈবাক অদুগী ইকনোমিবু ঙাক্লৌ পীনবা অমদি ফগৎহন্নবা মরৈবাক্তা ওইনা ইনভেষ্ট তৌননবা মখোয়দা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা রসিয়ন ট্রুপশিং থাদুনা লান্দাবা হৌখিবদগী অহানবা ওইনা রসিয়াগী বিজিনেস এলিটতা মশামক য়াওখিবা ফঙ্কসন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুটিননা হায়খি, মদুদি মখোয়গী থৌদাংদি শুপ্নগী শেল তানবখক নত্তে, তৌইগুম্বসুং খুন্নাইবুসু সপোর্ট পীবা অসি য়াওরি। থৌদাং মশক খঙবা ওন্ট্রাপ্রেনর হায়বসি রসিয়াগী অশেংবা সিটিজননি। অসিগুম্বা সিটিজন্না লৈবাক্কী প্রোব্লেমশিং খঙই অমসুং লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা মখা তানা হায়খি, মদুদি থৌদাং মশক খঙবা অশেংবা রসিয়ন সিটিজন ওইরিবা ওন্ট্রাপ্রেনর অদুনা মহাক্কী এসেটশিং মপানদা লোৎশিনবা তৌদে। মখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক্কা ওইনা শেল থাদে অমদি মখোয়না মপানগী ওথোরিটি অমত্তগী মীপান তাংদুনা লৈতে।

মহাক্না ৱার্করশিংবু য়েংশিল্লিবা ওন্ট্রাপ্রেনরশিংগী মীশনবু থাগৎ-খিবগী মখোয়গী টেলেন্টশিং শুপ্নগী শেন্দোং তানবা খক্তা শীজিন্নবগী মহুত্তা মীয়ামগী অফবা তৌবদসু শীজিন্নগদবনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা ৱা ঙাঙখিবা রসিয়াগী বিজিনেস এলিটকী মীটিন অদুদা মেটলশিং, বেঙ্কিং অমদি ফর্টিলাইজরনচিংবা মখল কয়াগী ইন্টরেষ্টশিংগা মরী লৈনবা বিলিনিয়রশিং ওইরিবা ওলেক দেরিপাস্কা, ব্লাদিমির পোটানিন, অলেক্সি মোর্দাশোপ, জর্মন খান, ভিক্তর বেসেলবর্ক, ভিক্তর রাস্নিকোব, এন্দ্রি মেলনিসিয়নকো অমসুং দমিট্রি মাজেপিননা শরুক য়াখি।

পুটিননা হায়খি, মদুদি লৈবাক অদুগী মীয়ামগী পুন্সিগী ক্বালিটি মশক থোক্না ফগৎহনগদবা হেন্না দাইনামিক ওইবা ইকনোমি অমা করম্না শেমগৎকদগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না মখোয়গী মীৎয়েংশিং অদু খঙবা পাম্মী।

মহাক্কী ৱারোল অদুবু তিল্লিবশিংনা তরাম্না ওক্লবসু মহাক্না রসিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না ইনাক খুল্লবা মীওইশিং অদুদা মখোয়না লৈবাক অদুগী হৌজিক মথৌ তারিবশিং অদুগী মরমদা হেন্না খনবা মথৌ তাই হায়বগী অকনবা মেসেজ অমা পীখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা আই সি বি এম কাপ্তুনা ড্রিল পাঙথোক্লিবা য়েক্লবশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে

সিওল, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):



য়ুএস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা অচৌবা মিলিটরি ড্রিলশিংগী মায়োক্তা নোর্থ কোরিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক ফোর্সশিংগী ওইবা অকনবা রেস্পোন্সকী ফিরেপ অমা উৎলদুনা লৈবাক অসিনা হ্বাসোং-১৭ ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা কাপখ্রে হায়না পিওংয়াংগী ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

নোর্থকী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) গী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী লিদর কিম জোং-উননা শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী মচানুপী জু-এগা লোয়নন্না পুন্না শরুক য়াদুনা লোঞ্চ অদুবু গাইদ তৌখি।

পেনিন্সুলা অদুদা অতম্মনা উংখৎনবা হেনগৎহন্নবা হোৎনরিবা য়েক্লবশিংদা অকনবা ৱার্নিং অমা পীননবা পান্দমগা লোয়নন্না লোঞ্চ অদু পাঙথোকখিবনি।

রিপোর্ট অদুদা লমদম অদুদা লৈরিবা তং তাদবা সেক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্ট অদু সাউথ কোরিয়া-য়ুএস ফ্রিদম সিল্ড (এফ এস)অদুনা মরম ওইদুননি হায়না পল্লদুনা লৈবাক অনীগী অচৌবা স্কেলগী ৱার ড্রিলশিং অদুবু লমদম অদুদা চথরক্লিবা কায়হৌবগী থৌওংনি হায়খি।

কে সি এন এগী মতুং ইন্না হ্বাসোং-১৭ শীজিন্নরিবা ড্রিল অদুগী পান্দমদি নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ৱার দিটরেন্টকী মোবাইল অমসুং নোর্মেল ওপরেসনগী থৌদৌশিং উৎপা অমদি লৈবাক অসিগী ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায়শিং য়েক্লবশিংগা লম্বা তৌনবদা ইফেক্তিব ওইগনি হায়বসি উৎকনি।

ইনৌ নৌনা আই সি বি এম কাপ্লিবা অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী আই সি বি এম য়ুনিট অমদি লৈবাক অসিগী ষ্ট্রেটেজিক ফোর্সশিংনা লানগীদমক্তা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈ হায়বসি কনফার্ম তৌই। পিওংয়াংনা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা লোঞ্চ তৌখিবা আই সি বি এম অদু কিমি ৬,০৪৫ ৱাংনা পাইখি অমসুং সেকেন্দ ৪,১৫১ গী ফ্লাইট অদুদা কিমি ১০০০.২ থুংখি।

মিসাইল অদুনা ইষ্ট সীগা নক্লবা মফম অমদা হান্ননা য়াৎথোক্লবা সাইট অমদা চপ চানা থুংখি।

# পুটিননা ইনভাইট তৌবদগী সি জিনপিং রসিয়াদা চৎলগনি

বৈজিং, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিং মথং চয়োলদা রসিয়াদা চৎলগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা বৈজিংগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙচৎ অদু চহী মরিরোমগী মনুংদা মোস্কোদা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ইনভাইট তৌরকপদগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা রসিয়াদা মার্চ ২০ দগী ২২ ফাওবা ষ্টেট খোঙচৎ অমা চৎলগনি। সিনা মমাঙদা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবসি কুমজা ২০১৯ দনি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী চহীদা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক্সকী হৌদোকপগী থৌরমদা পুটিনসু শরুক য়াখি অমসুং লুচিংবা অনী অসি হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা য়ুজবেকিষ্টানদা পাঙথোকখিবা রিজনেল সেক্যুরিটিগী মীফম অমদসু উন্নখি। বৈজিং অমদি ক্রেমলিন অনীমক্না থোকপা ষ্টেটমেন্টশিংগী মতুং ইন্না লুচিংবা অনীনা ষ্ট্রেটেজিক কো ওপরেসনগী মতাংদা ৱারী শানগনি।

ক্রেমলিননা হায়, মোস্কোদা লুচিংবা অনীনা রসিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা মপুং ফারবা পার্টনরশিপ অমসুং ষ্ট্রেটেজিক কো ওপরেসনগী মতাংদা অমদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মালেমগী মরু ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি। বাই লেটরেল দোক্যুমেন্টশিংসু খুৎয়েক পীনগনি।

মোস্কোনা য়ুমথংনরিবা য়ুক্রেনদা লান্দাবা চহী অমা খরা হেল্লকপদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী খোঙচৎ অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। চাইনানা কনফ্লিক্ট অদুদা লৈবাক অসি ন্যুট্রেল পার্টি অমা ওইনা উৎননবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী ফিরেপ থাজনিংঙাই ওইবা ৱাৎলি অমসুং নাকোয়নন্না মোস্কোবু শৌগৎপগী মওং উই হায়রদুনা নোংচুপলোমগী লুচিংবা খরনা ক্রিটিসাইস তৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা থাদা ফোঙখিবা য়ুক্রেনগী লানগা মরী লৈনবা পোইন্ট ১২ গী পোজিসন পেপরদা চাইনানা দাইলোগ চথনবা অমসুং লৈবাক খুদিংমক্কী টেরিটরেল সোভরেন্টি ইকায় খুম্ননবা আপিল তৌখি।

# পেন্সন রিফোর্ম বিল নমদুনা পাস তৌনবা ফ্রান্সকী পিএমনা কন্সটিট্যুসনগী মরী লৈনবা আর্টিকল চৎনহনখ্রে

পেরিস, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):



লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চথরিঙৈ মরক্তা ফ্রান্সকী প্রাইম মিনিষ্টর ইলিজাবেথ বোর্ননা গভর্ণমেন্টবু নেসনেল এসেমব্লিদা ভোট অমত্তা লৌনদ্রবসু ৱাথোক ওইরবা পেন্সন রিফোর্ম বিল নমদুনা পাস তৌবা য়াহনগদবা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল অমা চৎনহনখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা এবসোলূট মেজোরিটি ওইদবা নেসনেল এসেমব্লিদা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ৱা ঙাঙখিবা বোর্ননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী পেন্সনশিংগী তুংলমচৎকী মতাংদা ঐখোয়না অফ-ফত্তগী ৱাফমশিং শান্না উদনা হান্নগুম্না লৈহনবা য়ারোই। মসিগী রিফোর্ম অসি য়াম্না মথৌ তাই।

ঐহাক ঐখোয়গী সোসল মোদেলবু থাজে। লোয়নন্না ঐহাক পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিদা থাজবা থম্মী। নখোয়গী রিফোর্ম অসিদা এনগেজ তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী ঐহাক্কী তৌফম থোকপা থৌদাংনি হায়না বোর্ননন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফ্রেন্স কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৪৯ (৪৯.৩) গী পেরেগ্রাফ অহুমগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা তান্নরগা নেসনেল এসেমব্লিবু ভোট য়াওদনা বিল অমা পাস তৌবা য়াহল্লি।

নেসনেল এসেমব্লিনা মসিবু ভেটো তৌবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা নো-কনফিদেন্স মোসন অমা পাস তৌবা অসিনি। বোর্ননা ৱাফম অদু ফোঙদোরক্লিঙৈ পুং খরগী মমাঙদা ফ্রান্সকী মরু ওইবা য়ুনিয়নশিংনা লৈবাক অদুগী থবক শুরিবা মীয়ামদা মার্চ ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মাপনশুবা জেনরেল মোবিলাইজেসনদা শরুক য়ানবা আপিল তৌখি। গভর্ণমেন্টনা আর্টিকল ৪৯.৩ শীজিন্নবগী মায়োক্তা পেরিসকী প্লেস দে লা কোংকোর্দ (কোংকোর্দ স্কৱার) দা মীওই ৬০০০ না দিমোন্সট্রেসন পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না মখোয়না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লখি। পুন্না মীওই ৩৪ ফাখি। শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ফ্রেন্স সিনেটনা পেন্সন রিফোর্ম বিল অদুগী চপ চাবা ভর্জন অয়াবা পীখি।

বিল অদুনা কুমজা ২০২৭ দগী থবক্তগী পোথাবগী চহী অনী হেনগৎহন্দুনা ৬৪ ওইহনগদৌরিবনি।

# ট্রেন এক্সিদেন্টগা মরী লৈননা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্না গ্রিসকী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে

এথেন্স, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):



হৌখিবা থাদা থোকখিবা মীশি মীনা কয়া য়াওখিবা শাথিরবা ট্রেন এক্সিদেন্টগা মরী লৈননা লেবর য়ুনিয়নশিংনা লৈবাক শীন থুংনা কৌখিবা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অমনা গ্রিসকী ট্রান্সপোর্ট য়াওনা পব্লিক সর্ভিসশিংদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

লোকেল মেদিয়া পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অম্ব্রেলা সিভিল সার্বেন্টস য়ুনিয়ন (এ দি ই দি ৱাই), প্রাইভেট সেক্তর য়ুনিয়ন (জি এস ই ই) অতৈ য়ুনিয়নশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা এথেন্স সিটিগী লম্বীশিংদা চথখিবা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিংদা দিমোন্সট্রেটরশিংগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না কেপিটেলগী লম্বীশিংদা মীওই ২৫,০০০ রোম পুনখি। মখোয়না মীওই ৫৭ কী পুন্সি লোমখিবা ফেব্রুৱারী ২৮ দা গ্রিসতা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুগী একাউন্টেবিলিটি দিমান্দ তৌখি। মখোয়না ভিক্তিমশিংগী জষ্টিস অমসুং মীপুম খুদিংমক্কী সেফ ওইবা রেলৱেসসু দিমান্দ তৌখি। শগোলশেল নুমিৎকী মোবিলাইজেসন অদু হৌখিবা চয়োল অনীগী মতমদা ট্রেজেদি অদুগী মতাংদা পরিং নাইনা প্রোটেষ্ট অমদি ৱার্ক আউট কয়া চথরক্লবা মতুংদা পাঙথোকপনি। ম্যেন ওপোজিসন এস ৱাই আর আই জেদ এ পার্টিগী সেন্ট্রেল য়ুথ কাউন্সিলগী সেক্রেটরি কোন্সটান্টিনোস ব্লাসাকিসনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না লম্বীদা থোক্তুনা ময়াম হৌদুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবসি শাথিরবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা পুন্নমক মীয়ামদা মরিক চুম্না খঙহল্লু হায়বা দিমান্দ অসি তকশিন্দুননি।

ঐখোয়গী ৱাফমশিং অসিগী মতিক চাবা রেস্পোন্স ফঙদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়গী খোঙজং লেপ্লোই। সেন্ট্রেল গ্রিসতা ফ্রাইট ট্রেন অমদা পেসেঞ্জর ট্রেন অমগা মকোক থেংগাইনখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থৌশাদবদগী মীশি মীনা থোকহনবগী মরালদা ষ্টেসন মাষ্টর মরি অমসুং সুপরভাইজর অমা বুক তৌখ্রবনি।

রেলৱে নেটৱার্ক ওপরেসনগী সেফতিগী মতাংদা লিশাং শিৎনা লৈরক্লবা অশোয়বশিংগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা এপোলোজাইষ্ট তৌখিবগা লোয়নন্না থেংখাংনাইনা অপগ্রেদ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। মার্চ ১ দগী লেপ্লকখিবা পেসেঞ্জর অমসুং ফ্লাইট সার্ভিসশিং মার্চ ২২ দগী অকনবা সেফতি প্রোটোকোলশিংগী মখাদা তপ্পা তপ্পা অমুক হৌরগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

# ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেল্লি লান্মীশিংগী রেইদতা পলেষ্টিনিয়ন ৪ শিখ্রে

রমালা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা সিটি জেনিনদা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা চথখিবা রেইদ অমদা পলেষ্টিনিয়ন মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পলেষ্টিনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অদু পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইজরেল্লি লান্মীশিংনা রেইদ অদুদা অতৈ পলেষ্টিনিয়ন ২০ অশোক অপন নঙখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই মরিগী ফিভম লুনা লৈ।

পলেষ্টিনিয়ন ছোর্সশিং অমসুং থৌদোক অদুবু উহৌবশিংগী মতাং ইন্না ইজরেল্লি অন্দর কোভর য়ুনিটনা সিটি অদুদা থোমজিন্দুনা রেইদ চথরকপদগী ইজরেল্লি লান্মীশিং অমসুং পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা জেনিনগী মেইন ষ্ট্রিটতা কন্না নোংমৈ কাপ্নরকখি।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইজরেলগী মায়কৈদগী ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোরকখিদে। ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেল্লিশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ হৌখিবা থা খরা অসিদা ইজরেল্লি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা জেনিনদা রেগ্যুলর ওইনা রেইদ চথখি। পলেষ্টিনিয়ন হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না হৌখিবা জনুৱারীদগী ইজরেল্লি লান্মীশিংনা পলেষ্টিনিয়ন ৮৪ হাৎখ্রে।

চৈরকসিদা পলেষ্টিনিয়নশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা ইজরেল্লি ১৪ শিখ্রে হায়বসি ইজরেল্লি ওফিসল ফিগরশিংনা উৎখ্রে।

# ইরাননা য়ু এ ইদা অথুবা মতমদা এম্বেসেদর থারগনি

টেহরান, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

ইরান্না অথুবা মতমদা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই) দা এম্বেসেদর থারগনি হায়না সেনিয়র ইরানিয়ন দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী পোলিটিকেল এফিয়র্সকী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অলি বগেরি কানিনা হায়খি, মদুদি ইরাননা এনভোই অদু এপোইন্ট তৌরে। মহাকপু অবু দাবিদা থাবগী প্রোসেস হৌজিক ফাইনেল ষ্টেজতা লৈরে।

কানিনা ৱাফম অসি ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী সেক্রেটরি অলি শমখানিগা য়ু এ ইগী প্রসিদেন্ট সেখ মোহমদ বিন জয়দ অল নহায়ন অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর সেখ টানুন বিন জায়দ অল নহায়নগা য়ু এ ইগী খোঙচৎ অমদা শগোলশেল নুমিত্তা ৱারী শানখিবগা ইরোয়নন্না ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা য়ু এ ইনা মসিগী এম্বেসেদর অমুক হন্না ইরানদা লৈহনখি। মদু লৈবাক অনীগী মরী চহী কয়া ফিভম শোক্না লৈরকখিবা মতুংদনি।

সাউদি অরাবিয়ানা সেনিয়র সিয়াইট ক্লারিক অমা শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখিবা থৌদোক মতুং ইরানগী কেপিটেল টেহরানদা লৈরিবা সাউদি এম্বেসিগী মপানদা চথখিবা অচৌবা প্রোটেষ্টশিংগী রেস্পোন্স ওইনা সাউদি অরাবিয়ানা ইরানগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনখ্রবা মতুং য়ু এ ইনসু কুমজা ২০১৬ দা ইরানগা লৈনবা মরী দাউনদ্রেট তৌখিবনি।

# কানাদাদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ওটাৱা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):



হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা কানাদাগী নোংচুপ থংবা সিটি এদমোন্টনদা নুপা অমনা পুলিস ওফিসর অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলবা মতুংদা মশামকসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু লৈবাক অদুদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিসপু হাৎপগী তাংনা থোকপা থৌদোক অমনি হায়রি।

এদমোন্টন পুলিস সর্ভিসকী চীফ গেল মেকফিনা হায়খি, মদুদি চহী ৩০ অমসুং ৩৫ গী লেঙ্গাশিং ওইবা ওফিসরশিং অদু এপার্টমেন্ট ব্লোক অমদা ইমুং মনুংগী ওইবা খৎনবগা মরী লৈননা নুপী অমনা কোল তৌরকপদগী রেস্পোন্দ তৌখিবনি।

মখোয়না কোল অদুগী মতুং ইন্না বিল্ডিং মনুংদা চঙশিনখি অমসুং এপার্টমেন্ট ব্লোক অদুগী সুট তম্না চঙশিল্লুবা মতমদা নহা ওইরিবা সস্পেক্ট নুপা অমনা মখোয়দা নোংমৈনা কাপ্লকখি। ওফিসরশিং অদু খুৎ হন্দুনা কাপ্পগী চান্স ফঙখিদে।

মেকফিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নহা ওইরিবা সস্পেক্ট নুপা অদু মশা মথন্তা কাপশিঞ্জবদগী ফিভম লুনা শোকপদগী শিখি।

থৌদোক অদুদা ফিভম লূনা শোক্লবা সুট অদুদা লৈরম্বা নুপী কমপ্লেনেন্ট অমা হোস্পিটলাইজ তৌখি। মীওই মিলিয়ন অমা খরা হেন্না লৈবা এদমোন্টন অসি কানাদাগী অলবাটা প্রোভিন্সকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটিনি।

কানাদাদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস ওফিসরশিংবু হাৎপগী থৌদোক তোইনা থোক্তে। কুমজা ২০২২ দা অসিগুম্বা থৌদোক মঙা থোকখি হায়বসি কানাদিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পনা কম্পাইল তৌবা দেটানা উৎলি।

# য়ু এন এস সিনা স্পিসল পোলিটিকেল মিশনগী মেন্দেট শাংদোকখ্রে

য়ুএন, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):

য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিল (য়ু এন এস সি) না অফঘানিষ্টানগা মরী লৈননা রিজোলুসন অনী মত অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে।

রিজোলুসন অনীদুগী মনুংদা অমনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা স্পিসল পোলিটিকেল মিশনগী মেন্দেট চহী অমা শাংদোকহল্লি।

রিজোলুসন ২৬৭৮ না য়ুএন এসিষ্টেন্স মিশন ইন অফঘানিষ্টান (য়ু এন এ এম এ) গী মেন্দেট কুমজা ২০২৪ গী মার্চ ১৭ ফাওবা শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরি। রিজোলুসন অদুনা মিশন অদু মখা তানা লৈবাক অদুদা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না পনবগা লোয়নন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল এক্তরশিং য়াওনা মরী লৈনবা অফঘান পোলিটিকেল এক্তরশিং অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পুম্নমক্তা মেন্দেট অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা য়ু এন এ এম এগা কো ওর্দিনেট তৌননবা অমদি য়ুএন অমসুং মরী লৈনবা পর্সনেলশিং লৈবাক অদু শীন থুংনা অয়েৎ অপন পীদনা চথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবা অমদি মখোয়গী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিদা মীৎয়েং চঙননবা আপিল তৌখি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY COMMISSIONER: UKHRUL
## / NOTIFICATION

Ukhrul, the 17th March, 2023

No: 16/2023/0SC/DC/Ukl : In pursuance of guidelines /instructions vide Para No 3.2.3 of the Ministry of Women and Child development, Government of India dated 14th July, 2022 and on the recommendation of the Selection committee for One Stop Centre, the following candidates have been selected for the posts mentioned against their names in the scale of pay as conveyed by letter No. CSS-90(1)/1/2021-SW-SW dated 14th December, 2022of the Social Welfare Department, Government of Manipur.

| SI No | Name of the post | Name of the selected persons/ appointee | Remuneration as per FD(PIC) norms under RoP-2019 |
|---|---|---|---|
| 1. | Para Medical Personal | 1.Shontharchui Awungshi | Rs 14,600/- p.m (Pre-revised GP:2800) |
| 2. | Multi-purpose Staff/Cook | 1. Wormi Raleng<br>2. Shonmila Vashum<br>3.Rangamla Nancy MK | Rs. 7850/- p.m (Pre -revised GP:1650) |
| 3. | Security Guard/Night Guard | 1. Ngampam Zimik | Rs 7850/p.m (Pre-Revised GP: 1650) |

The contractual engagement shall be only on the terms and conditions mentioned in the Government of Manipur, Secretariat: Social Welfare Department CSSS-901(1)1/12021- SW-SW dated 14th December, 2023.

Sd/- **Chunglenmang**
i/c Deputy Commissioner, Ukhrul

HL/P/6238/18